# বি জে পিগী নৌনা থৌপুগদবশিং খনখ্রে, বসুন্ধরা রাজে, রাম মধবনা ভাইস প্রসিদেন্টগী ফম পায়খ্রে, বি এল সন্তোস অমদি স্মৃতি ইরানিনা মরুওইবা থৌগায় পুরগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি):

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ভাইস প্রসিদেন্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা ফম কয়া নৌনা হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে। ভারতিয়া জনতা পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন নবিনগী মীৎয়েং মখাদা রাজস্থানগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বসুন্ধরা রাজে সিন্দিয়া, আর এস এসকী লিদর রাম মাধব অমদি লোম সভাগী এম পি দি পুরন্দেসোরি য়াওনা পূন্না মীওই ১৩ পার্টি অসিগী নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্টগী ফম পুননবা এপোইন্ট তৌখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী দিন দয়াল উপধ্যায় মাকতা লৈবা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী সেন্ট্রেল ওফিসতগী থাদোরকপা চেরোল অমদা উত্তরখন্দগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর তিরত সিংহ রাৱাত, হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভারতি পৱার, মনপ্রিথ সিংহ বাদল অমদি তারিক মনসুরবুসু পার্টি অসিগী নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রে।

নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক অসিদা হৌজিক হৌজিক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরিবা পিয়ুস গোয়লবু ট্রেজরর, এ এ পি থাদোক্তুনা বি জে পিদা নৌনা চংখিবা সন্দীপ পাথক, অনিল এন্টোনি অমদি রোন গুপ্তা য়াওনা পূন্না মীওই ১৬ পার্টি অসিগী নেসনেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুনবা খঙহনখ্রে।



হান্নদগী বি জে পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন)গী থৌ পুদুনা লাকখিবা বি এল সন্তোস মখা তানা নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) ওইনা মখা তানা থৌ পুনবা খঙহনখ্রে।

মতম অমদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্তা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুদুনা লাকখিবী স্মৃতি ইরানি, ত্রিপুরাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেব য়াওনা পূন্না মীওই ৮বু বি জে পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা নৌনা এপোইন্ট তৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট নিতিন নবীনগী মীৎয়েং মখাদা নৌনা পার্টি অসিগী ফম হোংদোক হোংজিন তৌবা অসিদা হান্নদগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌ পুদুনা লাকখিবা বিনোদ তাওরে অমদি সুনিল বন্সাল মখা তানা নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা অদুমক থৌ পুগদৌরি।

ঙসি বি জে পিগী ফম নৌনা হোংদোক হোংজিন তৌদুনা শেল্লিবা পার্টিগী অনৌবা টিম অসিদা মীওই কয়াসু নৌনা পার্টিগী ফম পুনবা এপোইন্ট তৌরি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী পূনশিন্দুনা শেল্লিবা মীওই ১৬না শাবা নেসনেল সেক্রেটরিগী টিম অসিদা নৌনা কবিতা পতিদার, কে সুরেন্দ্রন, সন্দীপ পাথক অমদি মনোজ তিগাসু য়াওরি।

এম নগরাজা, লাল সিংহ আরিয়া অমদি বরসাবেন দোসিসু বি জে পিগী নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা এপোসন্ট তৌখ্রে। অদুগা বায়জায়ান জে পান্দা, রেখা বর্মা অমদি মধুচন্দ্র কারনা হান্না পায়রম্বা পার্টি অসিগী ফম মখা তানা পুনবা খঙহনখ্রে।

শিব প্রকাশ অমদি শৌদান সিংহবুনা নেসনেল জোইন্ট জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) ওইনা থৌ পুনবা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা নিতিন নবীননা লুচিংবা বি জে পিগী মরুওইবা থৌদাং পুননবা নৌনা হোংদোক হোংজিন তৌখিবা অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বি জে পিগী নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রবা মীওইশিংগী মফমদা থাগৎপা, নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা বি জে পিগী নেসনেল ওফিস বিয়ারর অমদি পার্টি অসিগী মরুওইবা থৌদাং শিন্নখ্রবা মীওইশিংগী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

নৌনা হোংদোক হোংজিন তৌদুনা শেল্লিবা পার্টি অসিগী টিমগী মায়কৈদগী ওর্গনাইজেসনগী লৈরিবা এক্সপিরেন্স, ইনর্জি অমদি গ্রাসরুট কনেক অসি তুনা চৎমিন্নদুনা অফবা থবক পাঙথোকপা ঙম্বা ওইসনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা ঙসি বি জে পিগী নৌনা থৌ পুনবা খল্লকখ্রবা মীওইশিং অদুগী মরক্তা অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী মীওই ৩ য়াওরি। হায়রিবা মীওইশিং অদুদি ত্রিপুরাদগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেব, অসামদগী মৃগঙ্কা দিও বর্মন অমদি নাগালেন্দদগী ফংনোন কোনয়াকনি। বিপ্লব কুমার দেবনা নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি, মৃগঙ্কা দিও বর্মন অমদি ফংনোন কোনয়াকনা নেসনেল বি জে পি পার্টিগী নেসনেল সেক্রেটরিগী ফম পুনবা নৌনা এপোইন্ট তৌরকখিবনি।

## রাম টেম্পলগী ৱাথোক্কী মতাংদা চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসন থুজিন্নবা এস সিনা য়াথং পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি):

অযোধ্যাদা লৈবা রাম মন্দিরদা মীয়াম্না কৎল্লকখিবা মশিং য়াম্লবা শেনফম মফম খঙদনা মাঙখিবগী ৱাথোক্কী মতাংদা কোর্টনা এপোইন্ট তৌদুনা শেমখিবা স্পেসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক থুজিন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা মরীলৈনবা ওথোরিটিদা অকনবা ইনষ্ট্রকসন পীখ্রে।




সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস সুরিয়াকান্ত, জষ্টিস জোইমলিয়া বক্সি অমদি ভি মোহানাগী বেঞ্চ অমনা রাম তেম্পল ৱাথোক্কা মরী লৈননা এস আই টিনা চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী ষ্টেটস রিপোর্ট সিল তৌদুনা সুপ্রিম কোর্টতা লানখৎলক্লবসু খঙহনখ্রে।

ঙসি চথুখিবা সুপ্রিম কোর্টকী হিয়ারিং অদুদা চীফ জষ্টিস সুরিয়াকানগী বেঞ্চ অমনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা মরীলৈনবা মীওইশিংদগী সজেসন লৌদুনা হৌজিক চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসি ট্রান্সপরেন্সি অমদি ক্বালিটেটিব লৈনা চথনবসু এস আই টিদা অকনবা ইনষ্ট্রকসন পীখ্রে।

অযোধ্যা টেম্পলগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা এস আই টিনা চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট এস আই টিগী মায়কৈদগী লাক্লবা মতুং মথৌতাবা অযোধ্যা টেম্পলগা মরী লৈনবা দোনেসনগী মেনেজমেন্টকী মতাংদসু সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী নৌনা দিরেক্টিব পীরবা য়াই হায়নসু ঙসি চথুখিবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা মরীলৈনবা ওথোরিটিদা জজমেন্ট পীখি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা জুলাই ২৭তা রাম টেম্পল ৱাথোক্কী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক আই জি পি কিরন এসনা লুচিংবা মীওই ৪না শাবা ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা লিংনবা খঙহনখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবা ইনভেষ্টিগেসন চথুদুনা লাকখিবনি।

**সনা-সুদোকু-১০৫২গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 9 | 2 | 6 | 7 | 5 | 4 | 8 | 1 |
| 1 | 8 | 7 | 3 | 4 | 9 | 2 | 6 | 5 |
| 6 | 5 | 4 | 2 | 8 | 1 | 7 | 9 | 3 |
| 2 | 4 | 6 | 1 | 5 | 8 | 9 | 3 | 7 |
| 8 | 7 | 5 | 4 | 9 | 3 | 1 | 2 | 6 |
| 9 | 1 | 3 | 7 | 2 | 6 | 5 | 4 | 8 |
| 5 | 6 | 1 | 9 | 3 | 2 | 8 | 7 | 4 |
| 4 | 2 | 8 | 5 | 6 | 7 | 3 | 1 | 9 |
| 7 | 3 | 9 | 8 | 1 | 4 | 6 | 5 | 2 |

## দিভোর্স তৌদনা ২শুবা নুপী লৌরবদি তলবতগী চাদা ২০ ককখিবা য়ানা লৈরে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি):

অসাম লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংনা মশাগী অহানবা নুপী লিগেল ওইনা দিভোর্স তৌদনা লৈরিঙৈ ২শুবা নুপী লৌবা থেংনরবদি মখোয়গী থাগী ফংলিবা তলবকী শেনফম চাদা ২০ ককপা য়াবগী খোঙথাং লৌখৎলকপা য়াই হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিশ্ব শর্মনা ফোঙদোকখ্রে।

অসামগী চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্ব শর্মনা হায়, লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ইমপ্লোয়ীশিংনা মশাগী অহানবা লোনবীবু লিগেল ওইনা দিভোর্স তৌদনা করিগুম্বা অনিশুবা নুপী লুহোংদুনা লৌবা থেংনরবদি মখোয়গী থাগী ফংলিবা তলবকী শেনফম অদুদগী চাদা ২০ কক্তুনা অহানবা নুপীগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা দিপোজিট তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

অসাম লৈঙাক্না লৌখৎলক্কদৌরিবা খোঙথাং অসি লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌদুনা লৈরিবা ইমপ্লোয়ীশিংনা মথৌতাবা লিগেলগী ওইবা খোঙথাং অমত্তা পাঙথোকপা লৈতনা অতোপ্পা নৌনা নুপী লুহোংদুনা লৈমিন্নবগী ৱাথোক কয়া ষ্টেট অসিদা লেপ্তুনা থোক্লক্লিবা অসিগা মরী লৈননা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্ব শর্মনা মখা তানা হায়, অসাম লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগী মায়োক্তা থবক তৌবা এমপ্লোয়ীশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎকনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৈবাক অসিদা চথুরিবা পোলিগেমি মুথৎননবা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিগী মনুং চন্না অসাম লৈঙাক্না লৌখৎলকপা খোঙথাং ওইগনি হায়না থাজনরি। পনবা য়াবদি পোলিগেমি থিংনবগীদমক অসামদা য়ু সি সি চৎনবসু হৌখ্রবনি।

## আই এস আইনা শৌগৎপা সাহজাদ ভাতিগী ওপরেটিব ২০০ হেন্না ফাগৎখি: অমিত শাহ



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি):

ইন্দিপেন্দেন্স ডে থৌরমগী মাঙওইননা পাকিষ্টানগী আই এস আইনা শৌগৎপা টেরোরিষ্ট গ্রুপ সাহজাদ ভাতিগী নেটৱার্ক ওপরেটিব ২০০ হেন্না ফাগৎখি হায়না হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখ্রে।


হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরম মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্ট নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না পাকিষ্টানগী আই এস আইনা শৌগৎপা টেরোরিষ্ট গ্রুপ সেহজাদ ভাতিগী নেটৱার্ক ওপরেটিব ২০০ হেন্না ফাগৎতুনা সেহজাদ ভাতিনা লৈবাক অসিদা এটেক চথদুনা পামদবা থৌদোক ৱাথোক থোক্লবা থৌরাং চথরম্বা মায় পাক্না থুগাইখ্রে।

ইন্দিয়ান সেক্যুরিটি ফোর্সনা লৈবাক অসিদা 'জেরো-টোলারেন্স টুৱার্দ টেরোরিজম' হায়বা পান্দম থমদুনা চংশিল্লিবা ওপরেসন অসিগী মনুং চন্না লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১৪দা লৈবা টেরোরিষ্ট গ্রুপ সেহজাদ ভাতিগী নেটৱার্ক শিংকুপ শানা থুগাইবা ঙমখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না সেহজাদ ভাতি নেটৱার্ক অসি পাকিষ্টানদা বেজ তৌবা টেরর সিন্দিকেদ অমনি। সিন্দিকেদ অসি লৈবাক অসিদা থোকখিবা গ্রেনেদ, আই ই দি অমদি পেট্রোল বোম এটেক তৌদুনা মীওই কয়া হাৎপদা চেন্নবা সিন্দিকেদ অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অসিদা নৎতনা পঞ্জাবকী সোসিয়েল মেদিয়া ইনফ্লুয়েন্সর রোজর সন্ধুগী রেসিদেন্সতা গ্রেনেদ এটেক চথরকখিবা কেস অদুগী মতাংদা এন আই এনা সহজাদ ভাতি নেটৱার্ককী মথক্তা তোঙান তোঙানবা এফ আই আর রেজিষ্টার তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা লৈরি।

## Crossword # 1119



Across
1. Deposits
5. Lawn tool
9. Baseball blunder
14. Cruising
15. Significant times
16. Down East
17. Shopper's paradise
18. Behaves
19. Loiters
20. Horrify
22. Most ahead of time
24. Statistics
26. Stringed toy (hyph.)
27. Likely
30. Most painful
32. Part of mph
35. Traded goods
37. Plot
40. Colder
41. ____ conditioner
43. Detroit products
44. Despise
46. Athlete's coworker
48. Bard's "before"
49. Take a breath
51. Permit
52. Toast topping
54. Blemishes
56. Germs
60. Food allotment
64. Upper class
65. Thailand, once
67. Wander
68. Daisylike flower
69. Perimeter
70. Impresses greatly
71. Go-getters
72. Sow
73. Skin growth

Down
1. Tibetan monk
2. Kin of PDQ
3. Sharp bark
4. Lettuce dish
5. Housing agent
6. Curve
7. Actress ____ Winslet
8. Compositions
9. Poet ____ Dickinson
10. CB ____
11. Aggravate
12. Wallet fillers
13. Take it easy
21. Intense beams
23. Decomposes
25. Territory
27. Reside
28. Nervous walker
29. Corny
31. Archie Bunker's wife
32. Flower feature
33. Overact
34. Bowler's button
36. Golfer's need
38. Snapshot taker
39. Drone
42. Paper quantity
45. Row
47. Frightened
50. Sounds
52. Aquatic animal
53. Nasty looks
55. Drinking tube
56. Rosary segment
57. Too
58. Quote
59. Staff officer
61. Nebraska's neighbor
62. Completed
63. Cozy place
66. Have a birthday

পাউখুম লমায় ৭দা ...

**DECLARATION**

I, Md Hesham Shah, aged about 50 years, S/o. Late Md Thambal, a resident of Phouden Moirangpali Near Community Hall, P.S. & P.O. Thoubal, District Thoubal, Manipur, my son's name has been recorded as "Tampakmayum Ansh Shah" in his High School Leaving Certificate Examination, (HSLC) bearing Roll No. 34778 of 2026 issued by Board of Secondary Education, Manipur (BOSEM). However, in my son's name was wrongly written as "Ansh Shah" instead of correct name "Tampakmayum Ansh Shah" in my service book by mistake. I have declared to correct/rectify my son's correct name according to his academic record by the concerned authority vide Affidavit before the Oath Commissioner, Thoubal, Manipur on 17th August, 2026.

Sd/-
Md Hesham Shah
S/o. (L) Md Thambal
Phouden Moirangpali Near Community Hall,
Thoubal District, Manipur

SL/Uta/18

**MEE PAMJEI**

1. Tyre Fitting heiba Meeoi Ani (2)
2. Driver (Light Vehicle) thouba Heiba Ani (2)
3. Helper (Male) Ani (2)
4. Salesman (Male/Female) Ani (2)
5) Assistant Accountant (1) Knowledge in Tally.

SUNDAY OPEN

NB: Pambibasingna Biodata / Resume, Passport Photo Ani, Club tagi Character Certificate ka loinana makhagi ashida thajinbirakpa yagani.

Contact: Bridgestone Select
M/S Imphal Tyres
Uripok Achom Leikai, Lane - 1 Opp. ICICI Bank
# 8837326916

SL/18, 20, 22

## বিহার: নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা ৭ লৈখিদ্রে

লখিসরাই, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি):

বিহারগী লখিসরাই দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা অসাক দাম টেম্পলদা লাই খুরুম্বা লাকপা মশিং য়াম্লবা মীওইশিং নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ লৈখিদ্রে, কয়া অমনা অশোক অপন নংখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মরীলৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা অশোক ধাম টেম্পলদা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া লাই খুরুম্নবা ঙাইদুনা লৈনরিঙৈ চৈরক্তা ইলেক্ট্রিক পোল তুদুনা মৈ চৎলিবা ইলেক্ট্রিক ৱ্যার তৎতুনা তারক্লে হায়বা য়ূমফম য়াওদবা রুমর অমা শন্দোরকপদগী মীয়াম্না সাফগদবা মফমশিংদা চেন্থোক্লবদগী থোকপা নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা মীওই ৭ লৈখিদবনি, কয়া অমনা অশোক অপন নংখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নাকন অমরোমদা বিহারগী চীফ মিনিষ্টরনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী লৈহৌরিবা ইমুং মনুংশিংদা বিহার লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্পেন্সেসন ওইনা লুপা লাক্ষ ৪/৪ ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্ট পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

**Name Change**

I, the Undersigned, do hereby declare that i have renounced, relinquished and abandoned the use of my old name **Dil Kumar Rai** as i have Assumed my new name **Dil Kumari Rai** in future I shall be known as **Dil Kumari Rai** in all my documaents and other's.

Sd /-
**Dil Kumar Rai**
Taphou Nepali Village, Senapati, Manipur

SL/Jeena/18

## লিকর কেসতা চেন্নবা চহী ৫ লোৎতুনা লৈরকখিবা বি জে পিগী ৱার্কর ফারে



অহমেদাবাদ, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি):

আইন কায়না য়ু য়োনবগী কেসতা চেন্নবা চহী ৫ লোৎতুনা লৈরকখিবা বি জে পিগী ৱার্কর মুকেস এলাইজ তিনা পাগি কৌবা মীওই অমা গুজরাত পুলিসনা ফাখ্রে।

আইন কায়না য়ু য়োনবগী মরালদা গুজরাত পুলিসনা ফারবা বি জে পিগী ৱার্কর মুকেস হৌজিক হৌজিক গুজরাতকী বি জে পি দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়টকী মেম্বর ওইরিবী সান্তাবেন পারগিগী মপুরোইবনি হায়রি।

হৌখিবা চহী ৫ রোমগী মমাঙদগী আইন কায়না য়ু য়োনবগী মরালদা মুকেস গুজরাত পুলিসনা ফানবা হোৎনদুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবা গুজরাত পুলিসপু অপঙবা শীদুনা লোৎতুনা লৈরকখিবনি।

গুজরাত পুলিসকী মায়কৈদগী য়ু য়োনবগী কেসকা মরী লৈননা মুকেস মায় পাক্না ফাবা ঙমখিবা অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা থেংনরিবা ইলিগেল লিকর সেল য়োনবগী মতাংদা চথুরিবা তোঙান তোঙানবা ইনভেষ্টিগেসনশিংদা য়াম্না চাওনা কান্নবা পীরগনি হায়না থাজনরি।

পুলিসকী মায়কৈদগী চহী ৫ মুকেসনা লোৎতুনা লৈরিঙৈ মহাক্না শিজিন্নখিবা তোঙান তোঙানবা ইলিগেল লিকর নেটৱার্ককী মতাংদা কুপ্না ইনভেষ্টিগেসন চথুরি।

অমরোমদা ইলিগেল লিকর কেসকা মরী লৈননা পোলিটিকেল পার্টি অমগী ৱার্কর ফাখিবা অসিনা মরম ওইরগা গুজরাততা পোলিটিকেলগী ওইবা নৌনা চরাংনবা থোকপা হৌখ্রে হায়রি।







## নেট এগজাম অমুক হন্না পাঙথোক্লবা খোঙজং চংশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি):

য়ু জি সি-নেট এগজামিনেসনগী সবজেক ৩ অমুক হন্না পাঙথোক্লবা মশিং য়াম্লবা মহৈরোইশিংনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিদা তোঙান তোঙানবা খোল্লাও লাউদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা শরুকয়াবা খোঙজং লোইশিংনা মহৈরোইশিংগী একাদেমিক অমদি কেরিয়র প্লানিংদা এন টি এগী অশোয়বা খোঙথাংনা মরম ওইরগা অকায়বা কয়া থোকহল্লে হায়বা খোল্লাও লাউদুনা এন টি এবু ষ্ট্রেকপ তৌনবসু দিমান্দ তৌখি।

এগজামিনেসনগা মরী লৈনবা ইরিগুলেরিটিগী মতাংদা এন টি এগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী মীনোক মীচৈ তাদুনা লৈরিঙৈ এন টি এগী মথক্তা অমুক হন্না ঙসি মশিং য়াম্লবা মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিল্লকখিবনি।

পনবা য়াবদি য়ু জি সি-নেট একজামিনেসনগা মরী লৈননা হৌখিবা জুন থাদসু লৈবাক অসিদা ৱাথোক থোকখিবা লৈখ্রবনি।

# য়ু এস লান্মী ১ হাৎলু, দোল্লর ৩০,০০০ ফংউ: ইরাননা নুপীশিংগীদমক দব্বল পে, রিৱার্দ লাউথোকখ্রে




টেহরান, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি): ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি আই আর এন এ ৱারোল পল্লদুনা এ এফ পি রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, ইরানগী আর্মি চীফ অমির হাতামিনা শরুক য়ানবা হায়জরকপা মশিং য়ান্না ফংখিবা মতুং থৌরাং অদু চথবনি হায়রদুনা য়ু এস লান্মীশিং ফানবা নৎত্রগা হাৎনবা দোল্লর ৩০,০০০গী রিৱার্দ লাউথোকখ্রে।

লান্দারকপা আমেরিকান মিলিটরি পার্সোন্নেল অমা হাৎপা নৎত্রগা ফাবা অমসুং খূৎশিন্নরকপা মীওই অমনা ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরানগী আর্মিদগী দোল্লর ৩০,০০০ নৎত্রগা টোমান বিল্লিয়ন ৫গা মান্নবা রিৱার্দ অমা ফংগনি হায়না আর্মি চীফ হাতামিনা য়ু এস লান্মীশিং অদু করম্বা মতমদা নৎত্রগা কদাইদা ফাগনি হায়বগী মরিকুপ্সবশিং পীদনা হায়খি।

অসিগুম্বা থবক অমা পাঙথোকপা থৌনা ফরবী ইরানগী নুপীশিংনা রিৱার্দকী শেনফম অদু শরুক ২ হেন্না ফংগনি হায়না হাতামিনা হায়খি।

দ জেরুসালেমগী পোষ্টগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, এৱার্দি অদুনা ফং গদবশিং মদুদা নৎতে। য়ু এস লান্মী অমা হাৎপদা শিজিন্নবা খূৎলাই অদু মমল শরুক অনি পীরগা লৈগদবনি অমসুং মীওই অদুনা অনৌবা খূৎলাই অদু ফংগনি।

মীওই অদুগী খূৎলাই অদু অখন্না থৌরাং তৌবা ম্যুজিয়ম অমদা থমগনি। য়ু এসনা মখোয়গী মিলিটরি পৱারগী মতাংদা মুকচরিবা অদু ইরাননা থেংনখিবা মখোয়গী লান অদুদা ফাগি তাখিবা অদু উথোকচখ্রে হায়না মহাক্না লাউথোকখি।

পার্সিয়ান গল্ফ, গল্ফ ওফ ওমন নৎত্রগা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজতা য়ু এসনা চংনবগী অয়াবা মখা তানা লৈত্রে হায়রদুনা মিদ্দল ইষ্টতগী য়ু এসনা ৱিদ্রো তৌনবগী মহাক্কী লৈবাক্কী দিমান্দ অদু হাতামিনা শৌগৎখি। লাউথোক্লিবা ৱারোল অদু জুন ১৭তা সহি তৌনখিবা য়ু এস–ইরান ইস্লামাবাদ এম ও য়ুগী মখাদা নুমিৎ ৬০গী মতম লোইশিল্লপা তাঙ্গাদা লাউথোকখিবনি।

# ২২ শুবা কে সি পি ...

*ঙরাংগী মখা...*

য়েলহৌমীশিংনা মখোয় মশাগী মরমদম, মখোয়গী পূন্সি মহিং, চৎনবী, থাজনবী, পারি পুরিদগী থাংথরকপা চৎন– লোনচৎশিং, অসিনচিংবা ঙাক শেন্দুনা কঞ্জবা ঙস্লবদতা অমদি মশানা মশাবু লৈঙাকচবগী হক মখুৎ চল্লবদতা অশেংবা নীংতম্বা হায়বদু ফংগনি। মদু খক্তদা লোইলম লৈঙাক্না কোক্তা লোই চনবিখ্রবা য়েলহৌমী কয়া অমা পরে হন্দুনা মখোয়গী অশেংবা নীংতম্বা অদু অমুক হঞ্জিনবা ঙমগনি। নৎত্রবদি, লোই মপুগী খয়াৎনুংদা তাখিবা হায়বসি শোয়দ্রবনি। ফ্রান্টজ ফেনোন অমসুং গ্লেন সিন কোল্টহার্দ মখোয় অনীনা হায়রম্লিবসিগা ঐখোয়গী লৈবাক্তা তম্লিম্লিবসিগা চাংদম্নবা য়াই হায়রি।

২২ শুবা এমএফএলগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মিলিটরি এফেয়র্স কম্মিটিনা পীরকপা নীংতম পাউজেল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, ঐখোয়গী ইরৈবাক মণিপুর নীংতম্লম্মী। ঙসিদি ইন্দিয়াগী লোয়লম ওইরে। ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা অসুমক লৈবা হায়বসি ঐখোয়গীদি মাংজবগী মাংজবা ঙাক্তনি। মণিপুরগী নীংতম্বা অমুক হঞ্জিন্দুনা, ইন্দিয়াগী তোখায়না নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈগদবনি হায়বসি চুম্মী হায়না য়াওল্লুপশিং, সিএসওশিং অমসুং লাইরিক লাইশু হৈরবা লন্নাই মীওই কয়া অমনা কয়ারক হন্না খুদম চাংদম পীদুনা লাকখ্রে। ঙসি ঙসিমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিং নেক্তুনা চথরিবা প্রোক্সি ৱার অসিনা মণিপুর ইন্দিয়াগী লোয়লমনি হায়বা অমুক হেন্না ময়েক শেংহল্লে।

মণিপুরগী নীংতম্বা নোংমদি হঞ্জিনবা হায়সি শোয়দ্রবদি মাং লমচৎকী ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা ঐখোয়গী করি ৱাৎহল্লম্মী অমত্তা ৱাৎতনা থন্বীরম্মী। ঐখোয়গী লোল অমসুং ময়েক লৈজে। ঐখোয়গী চহী লিশিং ২ হেনবগী অইবা পুৱারী লৈজে। মণিপুর নিংথৌ পানবা নীংতম্বা লৈবাকনি হায়বগী অহিংবা খুদমশিং, কোনুং, ফিরাল অমসুং মালেমগী থাক্তা শকখঙলবা মণিপুরগী ঙমখৈ লেংদনা লৈরি। ঙসিসু অমত্তা মাংদ্রি। মহৌশাগী লন থুমনা চোল্লবা ঐখোয়গী চীং, পাৎ, তুরেল অমদি তম্পাক লমদমনি। ঐখোয়গী লাই হরাওবা, জগোয় রাস, পুং, ঈশৈ, মুক্নবা, শগোল কাংজৈ, থাং তা, শরিৎ শরাৎ অসিনচিংবা মালেম শাৎনা ফাওরিবা ঙাক্ত নৎত্রা। তাবুনুংদগী চিং থোকপগী লোয়বা খম্বা নাইদবা পুক্কে লনগৈশিং অসি মাংলমচৎতা তুং লমচৎকীদমক থন্বীরম্লবনি। ঐখোয় শা লান্দা থৌবা ইপা ইপুশিং অদুগী চাদা নাওদানি। ইরৈচা খুদিংমক্না ঙসিগী শেং লবা অমদি মরুওইখ্রবা থৌরম অসি পাঙথোকপদা ইমা লৈবাক্কী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগী ফিরেপ নৌহৌননা অমুক লৌমিন্নসি অমদি ৱাশকমিন্নসি।

*(মথং মথং)*


**ꯃꯤꯡ ꯁꯦꯝꯗꯣꯛꯄ / Name Correction Declaration**

We are parents (i.e father and mother) of TEJITA MAIBAM who appeared and passed the Secondary Examination (Class X) 2025 conducted by the Central Board of Secondary Education, Delhi bearing Roll No. 16150040 frm UNACCO School, Khongman, Manipur. Due to bonafide mistake and inadvertence on our part our names were mentioned as SUJAKSWOR MAIBAM and RUBABATI MAIBAM respectively instead of MAIBAM SURJAKESHWOR Singh and CHUNGKHAM RUPABATI DEVI at the time of furnishing our particulars in respect of our daughter's academic records. On the basis of the wrong particulars furnished by us to the School Authority in respect of our daughter, the concerned authority of Central Board of Secondary Education, Delhi while issuing Admit Card, Marksheet cum Certificate and all relevant academic documents for the said Examination has mentioned our name wrongly as SURJAKSWOR MAIBAM and RUBABATI MAIBAM insteard of our real/ correct name MAIBAM SURJAKESHWOR SINGH and CHINGAKHAM RUPABATI DEVI respectively.

We have declared that we want to record our names as MAIBAM SURJAKESHOR SINGH and CHINGAKHAM RUPABATI DEVI respectively as recorded in our Aadhaar Cards in all relevent academic records of our daughter so as to avoid any complicacy in future vide Affidavit before the Oath Commissioner; Manipr at Imphal dated 7th August, 2026.

Sd/- **Maibam Surjakeshwor Singh**
and
**Chingakham Rupabati Devi**
Heirangoithong Maibam Leikai
Imphal West District, Manipur

SL/Surju/18



**U.F.O.**
Universal Friendship Organisation
Regd No. 808-67 Date 16/08/2026

**শেংদোকচবা**

হৌখিবা তাং ১১গী দাইমন রেদিওগী পুক্নীংগী ৱারোলদা চরাংপাৎ মমাং লৈকাইদা লৈবা চিরোম লোকেন ঐহাক্না U.F.O. সাজালগী ইজৎ শোকপা ৱা হায়রুবাগীদমক শোয়খ্রে লানখ্রে হায়না খবরগী থোংদা শেংদোকচরি।

শেংদোকচরিবা
চিরোম লোকেন

SL/Jeena/18


# সেক্সুয়েল এসোল্ট কেসতা ট্রম্পকী আপিল অমুক হন্না সুপ্রিম কোর্টনা ককখ্রে

ৱাসিংটন, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি): য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অইবী ই জিন কেররোল সেক্সুয়েল এসোল্ট তৌখি অমসুং মিংচৎ থিহনখি হায়বা জ্যুরি জজমেন্ট অমা মথঙ্গা ওন্থোক্নবা মহাক্না হোৎনখিবা অদু ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ু এস সুপ্রিম কোর্টনা অনিরকশুবা ওইনা ককখ্রে। প্রসিদেন্ট অদুগী শীংনবা অদু তাদনবগী মখোয়গী ৱারেপ অদুগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা মরম অমত্তা পীখিদে। কোর্ট অদুনা জুনগী অথেংবদসু ওরিজিনেল মে ২০২৩ ভর্দিক অদুগী মায়োক্তা ট্রম্পকী আপিল হিয়ারিং তৌ হায়বা য়াখিদবনি।

কেররোল (৮২), হান্নগী জর্নেলিষ্ট অমসুং কলমলিষ্ট ওইবী অদুনা ১৯৯৬তা ন্যু য়োর্ক দিপার্টমেন্ট ষ্টোর অমগী দ্রেসিং রুম অমগী মনুংদা মহাকপু সেক্সুয়েল এসোল্ট তৌখি হায়না ট্রম্পতা মরাল শীখি। ট্রম্পনা মহাকপু সেক্সুয়েল এসোল্ট তৌখি অমসুং মিংচৎ থিহনখি হায়বা সিভিল জ্যুরি অমনা ফংখিবা মতুং হৌখিবা থাদা ট্রম্পনা কেররোলদা দোল্ল মিল্লিয়ন ৫.৬ পীখি। মহাক্না ইবা ২০১৯ লাইরিক অমদা ৱাফমশিং অদু ফোঙখিবা মতম অদুদা রিপব্লিকান বিল্লিনর অদুনা কেররোলবু ‘নট জোব’ অমনি হায়খি অমসুং কেস অদু মহাক্না শেমজিন শাজিনবনি হায়খি। ন্যু য়োর্কতা তোঙানবা দিফেমেসন কেস অমদা কেররোলদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৮৩.৩ পীনবা ট্রম্পতা ওর্দর তৌখি। মদুগী জজমেন্ট অদুসু ট্রম্পনা সুপ্রিম কোর্টতা আপিল তৌখি।

# স্কাম কোল সেন্টর রেইদতা পাকিস্টাননা চাইনিজ নেসনেল ৪০ য়াওনা ২৫৮ ফাখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি): পাকিস্টান ওথোরিটিজনা কোনুং ইস্লামাবাদতা স্কাম কোল সেন্টর অমদা চথবা রেইদ অমদা চাইনিজ নেসনেল ৪০ য়াওনা ফোরেনর ২৫৮ ফারে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামাবাদকী মপান্দা গুলবর্গ গ্রীন কৌবা হাউসিং সোসাইটি অমদা স্কাম কোল সেন্টর অমা মখোয়না চল্লাইরম্মি হায়না পাকিস্টান ইন্টিলিজেন্স সার্ভিস অমা ওইরিবা ফেদরেল ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিদগী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি। মখোয় টুরিষ্ট ভিজাশিংদা পাকিস্টানদা লাকখি অমসুং মখোয়না তৌরিবা অদু তৌনবগী অয়াবা লৈতে।

ভিয়েটনামদগী মীওই ১৭০, লোয়ননা মলেসিয়া অমসুং অতে এসিয়াগী লৈবাকশিংদগী ফারবা মীওইশিং অদু রৱালপিন্দি জেল অমদা থমখ্রে। মরীলৈনবা এম্বেসিশিংদা পাউ পীখ্রে অমসুং ফারবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা শীরিবা মরালশিংগী মরিকুপ্সবশিং অদু লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ফোঙলগনি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

মসিদা ফংবা য়ারিবা ফলদি চেন্নরিবশিং অদু দিপোর্টেসন তৌবা য়াওরি। ফোরেনরশিং অদু হৌখিবা চয়োলদা দিটেন তৌখিবনি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়খি।

জুলাই ২০২৫তসু মান্নবা রেইদ অমা চথখ্রে মদুদা চাইনিজনা অয়াম্বা ওইনা ফোরেনর ৭১ য়াওনা মীওই ১৪৯ ফাখি।




**No. 4(21)79-80/JNMDA**

## OFFICE OF THE JAWAHARLAL NEHRU MANIPUR DANCE ACADEMY, IMPHAL

**ADVERTISEMENT**

Imphal, the 17th August, 2026

Applications are invited from eligible candidates for the following vacant posts of JNMDA. Interested candidates are requested to submit their educational qualifications and relevant documents at the office of Director, JNMDA, Imphal on or before 8th September, 2026 till 5.00 p.m. No further applications will be accepted after 8th September, 2026 (5.00 p.m.). The date of examination and interview will be given on separate advertisement.

**1. Guruhan:**

Name of the post: Guruhan (Rasdhari)
No. of the post: 1 (one), Category: UR.

Name of the post: Guruhan (Lai-Haraoba),
No. of the post: 2 (one), Category: UR.

Name of the post: Guruhan (Pung),
No. of the post: 1 (one), Category: UR.

Age limit: 50 years and above (Relaxable by 5 years in the case of candidates possessing exceptional qualifications).

Classification of post: Group A.
Pay Level: Level-10 (Rs. 56100-177500/-).

A. Candidates must have atleast 2nd Class Post Graduate Diploma course from JNMDA, Imphal or a qualification considered equivalence to be approved by the Advisory Committee on the recommendations of an equivalent committee which can waive the requirement of the Diploma for those who have the performing or teaching strictly in conformity with a tradition for atleast 12 years.

B. Atleast 12 years experience either as a teacher or performing artist in an institution recognised/ affiliated by/to the Board of Education/University or in a registered Cultural organisation which have been in receipt of a grand from the SNA/Deptt. Of culture of the Central/State Government or an awardee of the Sangeet Natak Akademi.

**Desirable:** Should have passed HSLC Examination. Knowledge of Sanskrit for Ras or Sankirtana Guru.

NOTE: Any of the qualification may be relaxed by the appointing authority for a candidate who is the recipient of Sangeet Natak Akademi Award in Manipuri Dance and Music.

**2. Guru:**

Name of the post: Guru (Thang-Ta)
No. of the post: 1 (one), Category: UR.
Age limit: 35 years and above.
Pay: Consolidated remuneration of Rs.30,000/- per month.
The post will be on contract basis for 3 (three) months which is liable to be extended.

**A. ESSENTIAL**

At least 2nd class Post Graduate Diploma Course of the JNMDA, Imphal or a qualifications considered equivalent to this Diploma; such equivalence to be approved by the Advisory Committee on the recommendations of an Equivalence Committee, which can waive the requirement of the Diploma for those who have been performing or teaching strictly in conformity with the traditions for at least 7 years.

At least 7 years experiences either as a teacher or as a performing artist in an institution recognized/affiliated by/to the Board of Education/University or in a registered cultural organisation which has been in receipt of a Grant from the SNA/Deptt. of Culture of the Central/State Govt.

OR

**Awardee of the Sangeet Natak Akademi.**

**B. DESIRABLE**

(i) Should have passed HSLC Examination (Class X).
(ii) Knowledge of Sanskrit for Ras & Sanskirtana Guru.

NOTE: Any of the qualifications may be relaxed by the Appointing Authority for a candidate who is the recipient of Sangeet Natak Akademi Award in Manipuri Dance & Music.

**3. Section Officer:**

Name of the post: Section Officer.
No. of the post: 1 (one), Category: UR.
Age limit: 35 to 45 years. Relaxable by 5 years in case of person employed in central or state government or autonomous body etc. Age also relaxable by 5 years for SC/ ST and 3 years for OBC Candidates. Candidates must be a Graduate from recognised University. Must have 8 years experience as Assistant in Central or State Government Organisation/Autonomous Body in Establishment/Accounts and General Administration.
Desirable: Awareness in Indian Performing Arts.

In the event of any serious controversy, irregularity, dispute or any circumstances that may affect the fairness Or integrity of the examination the competent authority shall have the power to cancel the examination.

The decisions taken by the authority, JNMDA shall be final

Sd/-
**Director, JNMDA**

SL/B(JNMDA)/18





## MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR, IMPHAL

**ADMISSION NOTICE/670**

**ADMISSION TO ONE-YEAR POSTGRADUATE PROGRAMMES**

Online applications are invited from eligible candidates for admission to One-year M.A./M.Sc./ M.Com/MCA/MLIS/MPES for the Academic Session 2026-27 in Adult Continuing Education and Extension, Ancient History and Archaeology, Anthropology, Biochemistry, Biotechnology, Botany, Chemistry, Master of Commerce, Master in Computer Applications, Earth Sciences, Economics, Education, English & Cultural Studies, Environmental Science, Forestry, Geography, Hindi, History, Human Rights, Mater in Library & Information Sciences, Linguistics, Manipuri, Mass Communication, athematics, National Security Studies, Philosophy, Physics, Master in Physical Education & Sports, Political Science, Psychology, Sociology, South East Asian Studies, Statistics, Yoga, and Zoology.

**Eligibility Criteria:** Kindly check the e-Prospectus 2026-27 available at university website: **https://www.manipuruniv.ac.in/** for Minimum Eligibility Criteria, Programme-Specific Eligibility and Intake seats.

**How to Apply:** Interested candidates are required to apply online through the Manipur University Admission **Portal https://manipurunivadm.samarth.edu.in/2026/**

**General Instructions:**

1. Before filling up of online applications, applicants must read the e-Prospectus and instructions carefully and follow them strictly.
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- for ST/SC/PwD candidates are to be paid online using Debit Card/Credit Card/Net Banking/UPI only.

**Selection Criteria:** It shall be on the basis of the marks obtained in the qualifying examinations.

**Important Dates:**

| | |
|---|---|
| Start of Online Submission | **18th August, 2026** |
| Last Date for Online Submission | **27th August, 2026 (23:59:59 hours)** |

Sd/-
**(Prof. M. Premjit Singh)**
**Registrar**

SL/Sus/18& 19





## MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR, IMPHAL

**ADMISSION NOTICE 669**

Dated the 17th August,2026

**No.MU/3 Adm/Aca/24: In continuation of the earlier Admission Notice No. 569 dated the 22nd July, 2026,** the last date of submission of online applications for admission into the following programmes for the academic session 2026-27 has been extended upto **28th August, 2026:**

**Diploma Programmes:**

1. One-year PG Diploma in Computer Application and Data Analytics
2. One-year PG Diploma in Computer Application.
3. One-year PG Diploma in Communicative English
4. One-year PG Diploma in Guidance & Counseling
5. One-year PG Diploma in Human Rights & Duties Education
6. One-year Diploma in Information Technology
7. One-year PG Diploma in Museology
8. One-year PG Diploma in Myanmar Studies
9. One-year PG Diploma in Public Health
10. One-year Diploma in Sanskrit
11. One-year PG Diploma in Translation
12. One-year PG Diploma in Yoga Science

**Certificate Programmes:**

1. One-year Certificate course in Chinese
2. Six-month Certificate course in Communicative English
3. Six-month Certificate course in Spoken Myanmarese
4. Six-month Certificate course in Translation

**Eligibility Criteria:** Kindly check the e-Prospectus 2026-27 available at university website: https://www.manipuruniv.ac.in/ for Minimum Eligibility Criteria and Programme-Specific Eligibility.

**How to Apply:** Interested candidates are required to apply online through the Manipur University Admission Portal https://manipurunivadm.samarth.edu.in/2026/

**General Instructions:**

1. Before filling up of online applications, applicants must read the e-Prospectus and instructions carefully and follow them strictly.
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- for ST/SC/PwD candidates are to be paid online using Debit Card/Credit Card/Net Banking/UPI only.

**Selection Criteria:** It will be announced by the concerned departments of the University.

**Important Dates:**

| | |
|---|---|
| Last Date for Online Submission | **28th August, 2026 (23:59:59 hours)** |

Sd/-
**(Prof. M. Premjit Singh)**
**Registrar**

SL/Sus/18 & 19



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 579/SDC/IW(C)-I of 2026 dt. 11/08/2026

Tigaimei Gangmei S/O Daniel Gangmei of Khoupilong Tamenglong Ward no. VB.

-Petitioners

-Vs-

(Late) Daniel Gangmei S/O Talenang Gangmei of Neikalong .

O.P. (s)

**/ NOTICE**

Lamphel, the 17/08/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Daniel Gangmei S/O Talenang Gangmei of Neikalong গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 91-Meitei Langol, অরিবা পাট্টা নম্বর 151 (O) অনৌবা পট্টা নং 249(N) দাগ নং 2132 অমসুং এরিয়া 0.0371 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/18



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 532/SDC/IW(C)-I of 2026 dt. 12/08/2026

1) Salam Tenden Singh S/O S. Brajamani Singh of Sayang Road Konthoujam Leikai.
2) Salam Imocha Singh S/O Salam Brajamani Singh of -do-

-Petitioners

-Vs-

(Late) Salam Brajamani Singh S/O (L) Tollangou Singh of Sagolband Konthoujam Leikai.

O.P. (s)

**/ NOTICE**

Lamphel, the 17/08/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Salam Brajamani Singh S/O (L) Tollangou Singh of Sagolband Konthoujam Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband, অরিবা পাট্টা নম্বর 1365 (O) অনৌবা পট্টা নং 2443(N) দাগ নং 1276 অমসুং এরিয়া 0.0203 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner গী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/18



**CORRIGENDUM**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 518/SDC/IW(C)-I of 2026 dt. 8/7/2026

Rajkumari Basari Devi W/O Rajkumar Brojen Singh of Uripok Bashaspati Leikai.

-Petitioner

-Vs-

(Late) Rajkumar Brojendro Singh S/O (L) Sanahal Singh of Uripok yambem Leikai.

O.P. (s)

**/ NOTICE**

Lamphel, the 17/08/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Rajkumar Brojendro Singh S/O (L) Sanahal Singh of Uripok yambem Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 88-Lalambung, অরিবা পাট্টা নম্বর 308 (O) অনৌবা পট্টা নং 857/971 (N) দাগ নং 3345 অমসুং এরিয়া 0.0204 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/18


**ক্রোসৱার্দ ১১১৯ গী পাউখুম**

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| L | A | Y | S | ■ | R | A | K | E | ■ | E | R | R | O | R |
| A | S | E | A | ■ | E | R | A | S | ■ | M | A | I | N | E |
| M | A | L | L | ■ | A | C | T | S | ■ | I | D | L | E | S |
| A | P | P | A | L | L | ■ | E | A | R | L | I | E | S | T |
| ■ | ■ | ■ | D | A | T | A | ■ | Y | O | Y | O | ■ | ■ | ■ |
| A | P | T | ■ | S | O | R | E | S | T | ■ | ■ | P | E | R |
| B | A | R | T | E | R | E | D | ■ | S | C | H | E | M | E |
| I | C | I | E | R | ■ | A | I | R | ■ | A | U | T | O | S |
| D | E | T | E | S | T | ■ | T | E | A | M | M | A | T | E |
| E | R | E | ■ | ■ | I | N | H | A | L | E | ■ | L | E | T |
| ■ | ■ | ■ | O | L | E | O | ■ | M | A | R | S | ■ | ■ | ■ |
| B | A | C | T | E | R | I | A | ■ | R | A | T | I | O | N |
| E | L | I | T | E | ■ | S | I | A | M | ■ | R | O | V | E |
| A | S | T | E | R | ■ | E | D | G | E | ■ | A | W | E | S |
| D | O | E | R | S | ■ | S | E | E | D | ■ | W | A | R | T |

# ১৩৫শুবা দুরান্দ কপ: মোহন বগাননা জমসেদপুর পেনাল্টি সুটআউটতা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (এস এন এস)ঃ

১৩৫শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপ ২০২৬কী ঙসি কোলকটাদা লৈবা ভিবেকানন্দা যুব ভারতি ক্রিরঙ্গনদা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মোহন বগান সুপর জাইন্তনা জমসেদপুর এফ সিবু পেনাল্টিদা গোল ৯–৮দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অপিবা মতমগী ২শুবা মিনিটতা মোহন বগানগী অব্দুল সামদ অমসুং জবসেদপুরগী দেবেন্দ্র মুরগাওকরনা মেটচকী ৪৫শুবা মিনিটতা গোল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইবদগী পেনাল্টি সুটআউট পাঙথোকপদা মোহন বগাননা জমসেদপুর এফ সিবু গোল ৯–৮দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী ২শুবা মিনিটকী মনুংদা জমসেদপুরগী প্রনোই হল্ডারনা মখোয়গী শগোলশেম রাশিথোই মীতৈদো পীরকপা পাস অমা মোহন বগানগী অব্দুল সামদনা মুল্লবা মতুং বোক্স মনুংদা পুশিন্দুনা জবসেদপুরগী গোলকিপর অলবিনো গোমসপু মায়থিবা পীরমদুনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মহাক্কী টিমবু মাঙজিল থাহনবা ঙমখি।

মোহন বগাননা গোল অমা মাঙজিল থাখিবদগী মখোয়গী শান্নরোইশিংগী মরক্তা হেন্না থাজবা ৱাংখৎতুনা মরুওইনা তেকচম অবিসেক অমসুং সুভাসিস বোসনা ৱিংদগী জমসেদপুরগী মায়কৈদা প্রেসর কয়া পীদুনা শান্নরকপদগী জবসেদপুরগী দিফেন্দরশিং পোত্থাবা শঙহনখিদে।

জমসেদপুরনা অঙনবা মতমদা মনিং হন্দুনা শান্নরুরবসু তপ্না তপ্না তেম্পো শাগৎলকপগা লোয়ননা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকপগা লোয়ননা গোল ওন্থোক্লবা লম্বী থিবা হৌরকখি। অদুবু মোহন বগানগী দিফেন্দরশিংনা খোঙফম চেৎনা লেপখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

মেটচ অসিগী ১৭শুবা মিনিটতা লালরিয়াটপুয়ানা অমনদা পীরকপা গ্রু পাস অমদগী ফোরৱার্দ অসিনা অখূবা এঙ্গল অমদগী এটেম্প তৌরবসু মোহন বগানগী গোলকিপর বিসাল কেটনা পোষ্ট ময়াদা সেভ তৌখি। ২৫শুবা মিনিটতসু জমসেদপুরগী লালরিয়াটপুয়ানা কাওরকপা ফ্রি কিক অমদগী প্রাটিকনা ফংদুনা এটেম্প তৌরবসু ক্রোস বারগী মথক্তা চৎতুনা শোত্থনা লৈরিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে।

মোহন বাগননা চপ চানা খুৎ হল্লকপা ঙমদুনা তাঙ্কক অনীরক্তা অহেনবা গোল চনবা য়াবগী খুদোং চবা ফংলমখি। মেটচকী ২৭শুবা মিনিটতা অব্দুল সামদ অমসুং লিষ্টন কোলাকো অনীনা পাদুনা য়েৎথংবা মায়কৈদগী চত্থরকখিবা এটেক অমদগী কোলাকোনা পোষ্টকী অরাপ্পদা তৌরকপা ক্রোস অমদা দ্রাজিকনা অনকপা মফমদগী হেদিং তৌশিল্লবসু টার্গেট চুম্না চৎপা ঙমখিদে। মিনিট ৬ লৈরবা মতুং তেকচম অভিসেকনা য়েৎথংবা মায়কৈদগী পীরকপা ক্রোস অমদগী দ্রাজিকনা ভোল্লি এটেম্প তৌরবসু নীংথিনা কন্টেক্ট তৌবা ঙমখিদে।

মোহন বগাননা মখোয়গী অনীশুবা গোল চন্নবা লেপ্তনা প্রেসর পীরক্তুনা ৩৭শুবা মিনিটতা লালেংমাৱিয়ানা বোক্সকী মতোনদগী এটেম্প তৌরবসু ক্রোসবার লাননা চৎখি। জমসেদপুরনা মখোয়গী শোত্থনা লৈরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা লম্বী থিরকপগী শরুক ওইনা অহানবা হাফকী অরোয়বা মিনিট ৪৫শুবদা শগোলশেম রাশিথোইনা পীরকপা পাস অমদগী দেবেন্দ্রা মুরগাওকরনা গোলকিপর বিসাল কেথপু অনকপা মফম অমদগী মায়থিবা পীরম্লগা গোল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাফ লোয়বা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা জমসেদপুরগী মায়কৈদগী হেন্না কন্না শান্নরকপগা লোয়ননা অমননা লেপ্তুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা এটেক কয়া চত্থরকপা ঙমখি। ৪৯শুবা মিনিটতা মোহন বগাননা অমুক হন্না মাঙজিল থাবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলম্লবসু অব্দুল সামদনা ক্রোসবার লান্না কাওথোকখি। মিনিট ২ লৈরবা মতুং অলবর্টোনা পীরকপা পাস অমদগী কিয়ান নাসিরিনা অনকপা মফম অমদগী হেদিং তৌশিল্লবসু মপা চুম্না চৎপা ঙমখিদে। টিম অনীমক্না অপিবা মতমদা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী ১–১দা দ্রো ওইদুনা মেটচ অসিগী মরাইবক পেনাল্টি সুট আউটনা লেপখি।

পেনাল্টি সুট আউট অদুদা টিম অনীমক্কী অহানবা পেনাল্টি ৫ / ৫ গোল ওন্থোকপা ঙম্নদুনা দ্রো ওইবদগী সদ্দন দেথতা জমসেদপুরগী মরিশুবা পেনাল্টি ওইনা লামসাং জ্বালানা কাওবদা গোলকিপর বিসাল কেথনা সেভ তৌবদগী মোহন বগাননা জমসেদপুর এফ সিবু গোল ৯–৮দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল তম্না পুশিনবা ঙমখি।

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মণিপুর গ্রুপ–এদা তাখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (এস এন এস)ঃ

২০২৬–২৭ সিজনগী ডা.তালিমেরেন আও জুনিয়র গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ মথং থাগী ১০দগী ওক্টোবর ৭ ফাওবা পাঙথেকপগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী টিয়র–১গী গ্রুপ–এদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মণিপুর তাখ্রে।

চত্থগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা টিয়র মথং থাগী ১০দগী ২৫ ফাওবা অন্ধ্র প্রদেশকী অনন্তপুরনা থংন থংননা অহুমরকশুবা ওইনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপগা লোয়ননা অনীশুবা টিয়রনা মথং থাগী ১৫দগী ওক্টোবর ৭ ফাওবা ছটিসগরনা য়ূম্বু ওইদুনা আরকে আশ্রম গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

টিম ১৫না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থগদৌরিবা টিয়র–১গী গ্রুপ–এদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মণিপুর য়াওনা ছটিসগর, উত্তর প্রদেশ অমসুং কেরলানা পূন্না তামিন্নরি। গ্রুপ–বিদা ৱেষ্ট বেঙ্গল, মহারাষ্ট্রা, ওড়িষা অমসুং রাজস্থাননা তারি।

গ্রুপ–সিদা দিল্লি, গুজরাট, বিহার অমসুং ঝরখন্দগা তামিন্নবগা লোয়ননা গ্রুপ–দিদা তামিল নাদু, অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং কর্ণতকানা তামিন্নদুনা অকনবা লম্বা তৌগদৌরি।

গ্রুপশিং অসিদগী ৱিন্নর ওইরবা টিমশিং অদু সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি। টিয়র–১দা শরুক য়ারিবা মহারাষ্ট্রা অমসুং উত্তর প্রদেশ মমাঙ সিজনগী অনীশুবা টিয়রদগী সিজন অসিগী টিয়র–১দা প্রমোসন তৌরকখিবনি।

মমাঙ চহীদা অনন্তপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী এদিসনদা মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু ফাইনেলদা গোল ৯–০দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

নাকল অমরোমদা নরায়নপুরগী আরকে আশ্রম গ্রাউন্দদা টিম ১৮না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী টিয়র–২গী গ্রুপ ষ্টেজকী দ্রোদা চানিদগর, সিক্কিম, উট্টরাখন্দ, ত্রিপুরা অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা গ্রুপ–এদা তামিন্নরি।

হন্দক্কী ইদিসন অসিদা মণিপুরগী অহানবা মেটচ ওইনা মথং থাগী ১০দা ছটিসগরগা শান্নদুনা গ্রুপ–এগী কেম্পেইন হৌদোক্কনি। অনীশুবা মেটচ ওইনা মথং থাগী ১২দা উত্তর প্রদেশ অমসুং অহুমশুবা অমদি অরোয়বা গ্রুপ মেটচ ওইনা মথং থাগী ১৪দা কেরলাগা শান্নগনি হায়রি।

গ্রুপ–বিদা তেলঙ্গনা, গোৱা, অন্দমান এন্দ নিকোবার, পোন্দিচেরি অমসুং অরুনাচল প্রদেশ, গ্রুপ–সিদা মেঘলায়া, জম্মু এন্দ কাশ্মির, পঞ্জাব অমসুং নাগালেন্দনা পূন্না তামিন্নবগা লোয়ননা গ্রুপ–দিদা মিজোরাম, মধ্য প্রদেশ, অসাম অমসুং হিমাচল প্রদেশনা তারি। গোৱা অমসুং অরুনাচল প্রদেশ মমাঙ সিজনগী টিয়র–১দগী রেলিগেট তৌরকখিবনি।

# পি য়ু সি (বি) অমসুং পি য়ু সি (এ) মিনি অমসুং জুনিয়রগী ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেপাক তাক্রো এসোসিয়েসন অমসুং হুদিক হৈঙাংনা খূৎশম্না শীন্দুনা হৈঙাং লাই হারাওফম হোলদা চত্থরিবা খেলো ইন্দিয়া অস্মিতা ৱুমেন লীগ ২০২৬–২৭গী জুনিয়র অমসুং মিনি গালর্সকী ফাইনেলদা পি য়ু সি (বি) অমসুং পি য়ু সি (এ)না শান্নরগনি।

চত্থরিবা লীগ অসিগী জুনিয়র গালর্সকী লীগ মেটচতা পি য়ু সি (বি)না হুদিকপু ১৫–৭,১৫–৬, ১৫–৭, পি য়ু সি (এ)বু ১৫–৯, ১৫–১১ অমসুং ইমসুকপু ১৫–১৩,১৫–৪দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা মফম কনবগা লোয়ননা পি য়ু সি (এ)না ইমসুকপু ১৭–১৫, ১৫–১২, হুদিকপু ১৫–১১, ১৫–৯দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা মফম কন্দুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

মিনি গালর্সকী লীগ মেটচশিংদা পি য়ু সি (বি)না হুদিক (এ)বু ১৫–১২, ১৫–১২, ইমসুক (এ)বু ৬–১৫, ১৫–৮, ১৭–১৪, ইমসুক (বি)বু ১৫–৩, ১৫–১০,পি য়ু সি (এ)বু ১৫–১৭, ১৫–৮, ১৫–১১, হুদিক (এ)বু ১৫–০, ১৫–৪দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি। অমরোমদা পি য়ু সি (এ)না হুদিক (এ)বু ৯–১৫, ১৫–১২, ১৫–৫, হুদিক (বি)বু ১৫–২, ১৫–২ অমসুং ইমসুক (বি)বু ১৫–৮, ১৫–৩দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

নাকল অমরোমদা চত্থরিবা লীগ অসিগী সব–জুনিয়র গালর্সকী ফাইনেলদা হুদিক অমসুং পি য়ু সি (বি)না থেংনরগনি। লীগ মেটচশিংদা হুদিকনা পি য়ু সি (বি)বু ১৫–৫, ১৫–৫, ইমসুকপু ১৫–৭, ১৫–৫ অমসুং পি য়ু সি (এ)বু ১৫–১১, ১৫–১৩দা মায়থিবা পীবগা লোয়ননা পি য়ু সি (বি)না পি য়ু সি (এ)বু ১০–১৫, ১৫–১১, ১৫–১৩ অমসুং ইমসুকপু ১৫–৬, ১৫–১০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

# এফ আই ঐচ হোক্কী ৱার্ল্ড কপ: ইন্দিয়াগী নুপী টিম অমসুং ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট চাইনাগা দ্রো ওইখ্রে

## *ইন্দিয়াগী নুপা টিম ইংলেন্দগী মখুৎতা ৪–২দা মায়থিখ্রে*



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি)ঃ

নেদরলেন্দস অমসুং বেলজিয়মনা য়ূম্বু ওইদুনা চত্থরিবা এফ আই ঐচ হোক্কী ৱার্ল্ড কপকী ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী পুল–দিগী মেটচ অমদা ইন্দিয়া অমসুং ২০২৪ পেরিস ওলেম্পিক্সকী সিলভর মেদলিষ্ট চাইনা গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো ওইখিবগা লোয়ননা নুপা টিম ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইংলেন্দগী মখূৎতা ৪–২দা মায়থিখ্রে।

নুপীগী পুল–দিগী খ্বাইদগী মরুওইবা মেটচ অমা ওইরিবা ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা শান্নখিবা মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগী গোল অদু মেটচকী ৮শুবা মিনিটতা নভনিট অমসুং ২৬শুবা মিনিটতা দিপিকানা চনখিবগা লোয়ননা চাইনাগী গোল অদুনা ১৪শুবা মিনিটতা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমদগী ঝাং য়িং অমসুং ৩৯শুবা মিনিটতা পেনাল্টি কোনর অমদগী মা নিংনা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা ইন্দিয়ানা হৌরকপা শরুক্তা হেন্না কন্না শান্নরকপগা লোয়ননা ২শুবা মিনিটতা সুনেলিতা তোপোনা লেফ ৱিংদগী সার্কল মনুংদা পুশিল্লকপগা লোয়ননা দিপিকাদা পীরকপা পাস অমদগী দিপিকানা দিফ্লেক্ট তৌদুনা এটেম্প তৌরবসু চাইনাগী গোলকিপর লি তিংনা ঙাকথোরকখি।

মিনিট খরগী মতুংদা বলজিটনা পীরকপা পাস অমদগী লালরেমসিয়ামিনা ফংদুনা সার্কল তম্না পুশিল্লকপদা চাইনাগী দিফেন্দরনা ফাওল তৌরুবদগী ইন্দিয়াগী ফেভরদা অম্পয়রনা পেনাল্টি কোনর পীখি। ইন্দিয়াগী মশক নায়বা দ্রেগফ্লিকর দিপিকা মতম অদুদা সবষ্টিট্যুটতা লৈবা মরম্না পেনাল্টি কোনর অদু নভনিটনা লৌরবসু মায় পাকপা ঙমখিদে।

৮শুবা মিনিটতা হায়দ্রাবাদতা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রদা গোল ৪ চন্দুনা প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্ট তাখিবা নভনিটনা নেহানা পীরকপা পাস অমদগী গোল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু মাঙজিল থাহনখি।

অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা দোমিনেট তৌদুনা চৎলবসু ক্বার্টর অসিগী অরোয়বা মিনিটতা অম্পয়রনা চাইনাগী ফেভরদা পেনাল্টি ষ্ট্রোক পীখি। পেনাল্টি ষ্ট্রোক অদু ইন্দিয়ানা রিভ্যু লৌরবসু টিভি অম্পয়রনা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা য়িংনা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অদুদগী গোল ওন্থোক্তুনা ১–১দা লৈহনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরগী অঙনবা শরুক্তা চাইনাগী গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা ফংলম্লবসু সিল্লিনা অরেম্বা তাহনখ্রবা মতুং মখা তারকপা মিনিটতা ইন্দিয়ানা অমুক হন্না লাকশিন্দুনা শান্নরকপগা লোয়ননা ২৪শুবা মিনিটতা পেনাল্টি কোনর অমদগী দিপিকানা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা ২–১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ অমদি অহুমশুবা ক্বার্টরদা চাইনানা অকনবা মওংদা খুৎ হল্লকপগা লোয়ননা লেপ্তনা এটেক কয়া চত্থরক্তুনা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংবু পোত্থাহনখিদে। ৩৩শুবা মিনিটতা টুর্নামেন্ট অসিদা খ্বাইদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা প্লেয়র অমা ওইরিবী ইন্দিয়াগী গোলকিপর সবিতানা নীংথিজরবা সেভ তৌদুনা চাইনাগী ইক্বেলাইজিং গোল চনবা ঙমহনখিদে।

মিনিট ৫ লৈরবা মতুং মেটচকী ৩৯শুবা মিনিটতা পেনাল্টি কোনর অমদগী মা নিংনা ইক্বেলাইজিং গোল চন্দুনা ২–২দা লৈহনখি। অরোয়বা অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্না অকনবা মওংদা মায় পাকপগী গোল চন্নবা হোৎনরবসু ঙম্নদবদগী ২–২দা দ্রো ওইখি।

ইন্দিয়াগী মথংগী মেটচ ওইনা হয়েং সাউথ অফ্রিকাগা শান্নদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মায় পাক্লবা মীৎয়েং থল্লি।

নাকল অমরোমদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াগী নুপা টিমবু গোল ৪–২দা মায়থিবা পীরমখিবা মেটচ অদুদা ইংলেন্দগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু নিকোলাসনা গোল অনী, ষ্টুৱার্ট অমসুং হেনরিনা অমমম চনখি। ইন্দিয়াগী গোল অদুনা হরমনপ্রিট অমসুং দিলপ্রিটনা চনবা ঙমখি।

# চৈবি শান্নরোই ২৪ খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (এস এন এস)ঃ

চহী অসিগী ওক্টোবর ৯দগী ১২ ফাওবা মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা ইনভিটেসনেল নেসনেল চৈবি চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোই ২৮ ওল মণিপুর চৈবি এসোসিয়েসননা খনখ্রে।

থা অসিগী ১৬তা তোঙান তোঙানবা থাঙ–তাগী স্কুল, ক্লব অমদি এসোসিয়েসন ১১দগী লাকপা শান্নরোই পূন্না ১৭৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমগী খুৎথাংদগী শান্নরোই ২৮ অসি খনগৎখিবনি হায়না ওল মণিপুর চৈবি এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী এম লৈখেন্দ্রো মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোকখিবা অদুগী নাকলদা ৱার্ল্ড ইন্দিজিনেস দেগা মরী লৈন্না গোল্ডন দ্রাগোন ইবুধৌ পাখংবা ইন্টরনেসনেল য়ুনিভর্সিটিনা সার্টিফিকেট ওফ এপ্রিসিয়েসন পীরকখ্রবা লমদম অসিগী থাঙ–তাগী লমদা শক্লাইরবা ওজা টিঐচ ইবোহনবী মৈতৈ অমসুং ইন্দিজিনস মৈতৈ ইনাৎকী খূনুং ঈশৈদা মনা ফংলকখ্রবা খোনদাম রাজেস অনীবু ইকায় খুম্নবা উৎতুনা ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী য়ু–২০ টিমনা য়েমেনগা মেটচ ২ শান্নগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি)ঃ

এ এফ সি অন্দর–২০ এসিয়ন কপ চাইনা ২০২৭ ক্বালিফাইয়রগী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী নুপা অন্দর–২০ টিমনা থা অসিগী ২০ অমসুং ২৩দা বেঙ্গলুরুদা লৈবা সেন্তর ফোর স্পোর্টস এক্সলেন্সতা য়েমেনগা ফ্রেন্দলি মেটচ ২ শান্নগনি।

য়েমেনগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অনী অসি ইন্দিয়াগী নুপা অন্দর–২০ টিমনা এ এফ সি অন্দর–২০ এসিয়ন কপ ক্বালিফাইয়রগী শেম শাবগী ওইনা অহুমরক অমসুং মরিরক শুবা ফ্রেন্দলি মেটচনি।

মফম অসিমক্তা থা অসিগী ৩ অমসুং ৬তা সিঙ্গাপোরগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অনীদা ইন্দিয়ানা ৩–০ অমসুং ১–০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

এজ গ্রুপ অসিদা ইন্দিয়াগী টিমনা মমাঙদা য়েমেনগা ২০১৭দা পাঙথোকখিবা এ এফ সি অন্দর–১৯ চেম্পিয়ন্সিপ ক্বালিফাইয়রদা অমুকখক শান্নখিবদগী ঙসি ফাওবা মেটচ অমত্তা শান্নদনা লাক্লি। মেটচ অদুদা ইন্দিয়া অমসুং য়েমেননা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

য়েমেনগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অসি লোয়রবা মতুং ইন্দিয়াগী টিম অসিনা টাজকেস্তদা থা অসিগী ২৬তা চৎতুনা ক্বালিফাইয়র অসিগী মাঙওইন্না মফম অদুগী হৱা–নুংশিৎ চুশিন্নবা অহেনবা ত্রেনিং তৌগদৌরি।

# অয়ূসনা মালেমগী মকোক থোংবা সি য়ু মায়থিবা পীখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি)ঃ

চহী ১৭কী মতুংদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌখিবা বি দব্লিউ এফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা অয়ুস সেত্তিনা দিফেন্দিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি হৌজিক হৌজিক মালেমগী মকোক থোংবা মফমদা লৈরিবা চাইনাগী সি য়ু কিবু মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ ওফ ৩২ চঙখ্রে।

ইন্দিরা গান্ধি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হোম ক্রাউন্দকী মমাঙমক্তদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী রাউন্দ ওফ ৬৪গী মেটচ অমদা মালেমগী ২২শুবা মফমদা লৈরিবা অমদি চহী ২১ শুবদা ঙায়রিবা অয়ুস সেত্তিনা চাইনাগী ষ্টার সি য়ু কিবু মিনিট ৭৩ শান্নরবা মতুং ২১–১৪, ১৩–২১, ২১–১দা মায়থিবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী মায় পাকপা ওইখি।

অয়ুস অমসুং সি য়ু কিনা ঙসিগী মেটচ অসি থারগা পূন্না মেটচ ৪ শান্নবদা অয়ুসকী ওইনা অহানবা মায় পাকপা ঙম্লসু ওইখিবগা লোয়ননা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা সি য়ু কিনা মহাকপু মায়থিবা পীরমখিবা অদুগী লমন চপ চানা খুল্না ঙমখি।

অয়ুস সেত্তি অমসুং সি য়ু কিনা শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা অয়ুসনা অকনবা মওংদা শান্নবা হৌরকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী শক্তি লৈরবা স্মেস অমসুং নেট প্লে কয়া তৌদুনা সি য়ুবু প্রেসর লৈহনবতা নত্তনা ২১–১৪দা লায়না মায় পাকপা ঙমখি।

অদুবু অনীশুবা গেমদা শান্নরোই অনীনা সাইদ ওন্নদুনা শান্নবদগী অয়ুসনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লন্দুনা সি য়ু কিবু মহাক্কী ফোমদা লাকহনবা ঙমখি।

চাইনাগী ৱার্ল্ড নম্বর ১ অসিনা অয়ুসকী অশোয়বা কয়াগী খুদোংচাবা লৌদুনা গেম অসিদা ২১–১৩দা মায় পাক্তুনা ১–১দা লৈহনখি। অহুমশুবা অমসুং দিসাইদিং গেমগী ইন্টরভেল ফাওবদা অয়ুসনা ১১–৫দা মাঙজিল থাদুনা চৎলম্লবসু অরোয়বা ষ্টেজতা সি য়ু কিনা অকনবা মওংদা খুৎ হল্লকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী সট্লের অসিনা প্রেসর মরক্তা মোং হাবা তৌদনা শান্নদুনা ২১–১৯দা মায় পাকপ্তা নত্তনা মালেমগী মকোক থোংবা মফমদা লৈরিবা সি য়ু কিবু টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকহনখি।

নাকল অমরোমদা চত্থরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা পি ভি সিন্ধু রাউন্দ ওফ ৩২ চঙবা ঙমখ্রে। ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী রাউন্দ ওফ ৬৪গী মেটচ অমদা পি ভি সিন্ধুনা আইর্লেন্দগী সোফিয়া নোবলবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১–৭, ২১–১১দা মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ ওফ ৩২ চঙখি।

নুপীগী দবলসকী রাউন্দ ওফ ৬৪গী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পিয়র ত্রিসা জোলি অমসুং গাইত্রি গোপিচান্দনা স্পেনগী লোপেস অমসুং লুসিয়াবু মিনিট ৩০ খরা হেন্না শান্নরবা মতুংদা ২১–৯, ২১–১৩দা মায়থিবা পীদুনা মায় পাক্লা কেম্পেইন হৌখ্রে।

নুপাগী দবলসতা হরিহরন অমসুং অর্জুননা আইর্লেন্দগী স্কোট অমসুং পাওলবু মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা নুপীগী দবলসকী মেটচ অমদা কাইভিপ্রিয়া অমসুং সিমরননা স্পেনগী নিকোল অমসুং জিমিনেসবু মায়থিবা পীদনা রাউন্দ ওফ ৩২ চঙনখ্রে।

# মণিপুর হোক্কী অমসুং উত্তর প্রদেশ দ্রো ওইখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি)ঃ

১৬ শুবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র ৱুমেন নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ পুনেদা হৌখিবগা লোয়ননা দিভিজন–এগী পুল–সিগী মেটচতা মণিপুর হোক্কী অমসুং উত্তর প্রদেশ হোক্কী গোল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

মণিপুর অমসুং উত্তর প্রদেশ অনীনা গোল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখিবা মেটচ অদুনা উত্তর প্রদেশকী কেপ্তেন বন্দনা পতেলনা মেটচকী ২০শুবা মিনিটতা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাহল্লবসু মণিপুরগী মায়কৈদগী খুদক্তা অকনবা মওংদা খূৎ হল্লক্তুনা হুইদ্রোম বিদ্যালক্সমিনা ইক্বেলাইজিং গোল চনবা ঙমখি।

দিভিজন–এগী পুল–বিগী মেটচতা হোক্কী হরিয়ানানা হোক্কী বেঙ্গলবু গোল ১০–১, পুল–এগী মেটচতা হোক্কী ঝরখন্দনা হোক্কী চান্দিগরবু গোল ৬–০ অমসুং পুল–দিগী মেটচতা ছটিসগর হোক্কীনা হোক্কী হিমাচলবু গোল ৬–৪দা মায়থিবা পীখ্রে।

হরিয়ানানা বেঙ্গলবু গোল ১০–১দা মায়থিবা পীখিবা মেটচ অদুদা হরিয়ানাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী ৬শুবা, ২১শুবা, ৪৯শুবা অমসুং ৫৭শুবা মিনিটতা অঞ্জলিনা গোল মরি চন্দুনা হেটট্রিক তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা কেপ্তেন খাসা সশিনা মেটচকী ১৪শুবা অমসুং ৪৭শুবা মিনিটতা গোল অনী, সুপ্রিট কোরনা মেটচকী ২শুবা, ভাবিয়া অমসুং খুসিনা ২৯শুবা মিনিট অমদি দিক্সানা ৫২শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। মায়থিহৌরবা বেঙ্গলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ১৭শুবা মিনিটতা জালদিয়া সামিনা চনখি।

ঝরখন্দনা চান্দিগরবু গোল ৬–০দা মায়থিবা পীখিবা মেটচ অদুদা ঝরখন্দগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু পুস্পানা মেটচকী ২০শুবা অমসুং ৪৪শুবা মিনিটতা গোল অনী, হোরো ইস্থরনা মেটচকী ৩৯শুবা, সরোজনা মেটচকী ৪০শুবা, জমুনানা মেটচকী ৫১শুবা অমসুং সঙ্গিতানা মেটচকী ৫৪শুবা মিনিটতা চনখি।

ছটিসগরনা হিমাচল প্রদেশবু গোল ৬–৪দা মায়থিবা পীখিবা মেটচ অদুদা ছটিসগরগী মায় পাকপগী গোল অদু যসোদানা মেটচকী ২শুবা ৪১শুবা অমসুং ৫৪শুবা মিনিটতা গোল অহুম চন্দুনা হেটট্রিক তৌখিবগা লোয়ননা নেহানা মেটচকী ৭শুবা অমসুং ১৫শুবা মিনিটতা গোল অনী অমসুং সিতল যাদবনা মেটচকী ৬শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি।

হিমাচল প্রদেশকী গোলশিং অদুনা সোনম অমসুং নবনিট কোরনা মেটচকী ২৮শুবা মিনিট, সানি ঝারিয়ানা মেটচকী ৪৩শুবা মিনিট অমসুং কেপ্তেন খুসি বর্মনা মেটচকী ৫৯শুবা মিনিটতা অমমম চনবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী দিভিজন–দিগী তোঙান তোঙানবা মেটচতা দিল্লি হোক্কীনা অসাম হোক্কীবু গোল ৬–০দা মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা হোক্কী উট্টরাখন্দনা হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদুবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীখ্রে।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com